## ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ঃ কুমজা অসিগী ওইনা নাসিক্তা পাঙথোক্লিবা কুম্ভ মেলাগীদমক কবুই ধর্ম্ম সভা মণিপুরগী মীওই ৩০না শাবা কাঙবু অমা ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়না কবুই ধর্ম্ম সভা মণিপুরগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি দি সিতারানি কবুইনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, কুম্ভ অমৃত থন্না য়াওবা চফু অমা গরুর উচেক্না বিষ্ণু লোক তম্না পুরকপদা অমৃত অদু নাসিক, উজ্জেন, হরিদ্বার অমসুং এলাহবাদতা খরা খরা নিকথহৌখি হায়রিবা মফমশিং অসিদা তোঙান তোঙানবা চহীগী ওইনা কুম্ভ মেলা পাঙথোক্লি। মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা মেলানি হায়নরিবা শেংলবা মফম অসি উবা ফংনবা লাইনীংবশিং, তোঙান তোঙানবা ধর্ম্ম গুরুশিং অমসুং মীওই লাখ কয়ানা খুজিং ওইনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্নরি। থৌরম অসিদা কবুই ধর্ম্ম সভা মণিপুরসু অমৃত খিকথখিবা মফম অদুদা দর্শন তৌবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা লাইনীংগী ওজাশিং উনদুনা মীফম কয়াসু শরুক য়ারক্কনি।

## পেন্দবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ ঃ হৌখিবা জন্যুৱারী ১৮গী নুমিদাংদা টি ঐচ দিলিপকুমারগী থোংজু পার্ট টু (কোইরৌ)দা লৈবগী য়ুমদা বোম লংশিন্দুনা ইমুং -মনুং, কৈরোই-লৈকায়গী মীওইশিংবু অকি অখঙ ফংলম্বগী থৌওংবু নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি হায়না থোংজু কেন্দ্র য়ুনাইটেদ ক্লবস এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি মুহিন্দ্রো চনমনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, টি ঐচ দিলিপকুমার ইরমদম খুন্নাই অসিগী য়াইফনবা থবক থৌরম তৌরিবা অমসুং থোংজু কেন্দ্র য়ুনাইটেদ ক্লবস এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুদুনা এ সি অসিগী থবক তৌরম্বা মীশক্লি। হৌজিক হৌজিক মহাকনা ইম্ফাল আর্বান কো-ওপরেটিব বেঙ্ককী বোর্দ ওফ দিরেক্টরগী প্রসিদেন্ট অমা ওইনা থৌ পুবদা, মহাক্কী থবক থৌরমদা অৱাৎপা, তৌহন্নিংবা-তৌহন্নিংদবা কয়া লৈরবসু নীংথিনা তাথোক তাশিন তৌমিন্নদুনা য়ানবা, অফবা মহৈ অমা পুবীরক্লবা অমসুং মতুংদা য়ুল্লক্তা বোম লংশিনবনচিংবগী থবক তৌবীদনবা এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী আপীল তৌজরি।

## এন্টি রেবিজ ভেক্সিন কাপখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪(ঐচএনএস)ঃ দিভলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন য়ুনাইটেদ ভল্যুন্টরী ওর্গনাইজেসন (দি পি য়ু ভি ও), নম্বোলনা শিন্দুনা ভেটিরিনরী এন্দ এনিমেল হজবেন্দরী দিরেক্টরগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনরী ওফিস বিষ্ণুপুরগী জোইন্ট দিরেক্টর অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকা খুৎশম্নরগা ভেটিরিনরী হোস্পিটাল, নম্বোলগী ভেটিরিনরী ওফিসারনা টিম লিদর ওইদুনা নম্বোল অৱাং, খাজিরি মমাঙ লৈকায়, খাজিরি মনিং লৈকায়, নাওরেম, মোংজিং, কবোৱাকচিং, বলারাম, লাঙোনপোকপি, মাইবম চীংমাঙ, ককয়াই, লাংপোক, খাথোং অমসুং ফোইজিং তোংবদা পুন্না হূই ৬৬১দা এন্টি রেবিজ ভেক্সিন কাপখ্রে।

ওর্গনাইজেসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি থোকচোম লমজিংবানা প্রেস্তা থোকপা মখা তানা হায়, মখা তানা হীদাক কাপকদৌরিবা অসিদা হূইবুশিংনা ইশা ইশাগী হূইশিং অদু লৈকায় লৈকায়গী হাংদোকচগদৌরিবা হীদাক কাপফমশিংদা পুবীরক্তুনা শুংশোই শোইদনা এন্টি রেবিজ ভেক্সিন কাপথোকপিয়ু। লোয়ননা এন্টি রেবিজ ভেক্সিন কাপত্রিবা হূইশিং ফাজিন্দুনা থম্বীয়ু হায়রি।

## নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ঃ ওল মণিপুর দিসএবল্ড এন্দ হেন্দিকেপ পার্সন্স দিভলপমেন্ট এজেন্সি, শিংজমৈ চীংঙামখা ক্ষেত্রি লৈকায়, নম্বুল মপানগী হৌজিক সেক্রেটরি ওইরিবা ক্ষেত্রি প্রত্মা মৈতৈবু দিসএবল্ড অমসুং মীয়ামগীদমক তৌরিবা থবকশিংবু শকখঙবীদুনা ফ্রেন্দশিপ ফোরম, ন্যু দিলিনা ভারত এক্সিলেন্সি এৱার্দ অমসুং নোর্থ ইষ্টর্ন গোল্ডন পার্সনেলিটিজ এৱার্দ, ২০১৫ পীনবা খলকপদা লূপ অসিগী ওফিস থৌ পুবশিং অমসুং মেম্বরশিংনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে হায়না এজেন্সি অসিগী প্রসিদেন্ট ঐচ শামুঙৌবীনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

## লালহৌবা ফারে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪(ঐচএনএস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী কাঙবু অমনা হৌখিবা জন্যুৱারী ২১দা ফ্রিস্কিং অমসুং চেকিং তৌবা মতমদা য়ু এন এল এফকী কাদর অমা ফারে। ফারবা অদুনা কৈরাও বিত্রা লাইরেম্বী লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা য়ুমলেম্বম চাউবগী মচানুপা য়ুমলেম্বম খেলেন্দ্রো এলিয়স থোইবা এলিয়স য়াইরেম্বা (৩১) কৌই হায়না মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী পি আর ও, আর কে তুতুসনানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ইনভেষ্টিগেসন চথুবা মতমদা লাক্লিবা রিপব্লিক ডে থৌরমদা অয়েৎপা পীনবগীদমক ইম্ফালদা থবক চথুনবা মঙোন্দা ইনষ্ট্রক্সন পীরক্লেঅমসুং গর্ভর্নমেন্ট ওফিসলশিং, প্রাইভেট স্কুলশিংনচিংবদগী শেল খোমগৎপদা চেন্নে হায়না মহাক্না ফোঙদোরক্লে। মহাক্কী মথক্তা ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎলগা ইনভেষ্টিগেসন চথুরি।

## 'লিলোংগী থৌদোক মণিপুর লৈঙাকনা থোকহনবনি, গন কলচরনা ৱাতেম্বা য়ারোই'

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪(ঐচ এন এস)ঃ ঙসিগী লৈঙাকনা অচুম্বা লৈঙাক পায়বা ঙমদবগী লৈপাক অসিদা মীশি মীনা, মীহাৎ-মীপুন তৎতনা থোক্লিবনি। মীচম মীয়ামনা ঈং-তপ্পা তংদু লৈতাবা পুন্সি মহিংদা হিংবা ঙমদ্রিবনি, লৈঙাক অসিনা পুকচেল শেংনা থবক তৌরম্লবদি করিগুম্বা খুদোংথীবা অমত্তসু থোক্লমদবা য়াই। টেরোরিষ্টনা চথুগদবা থৌদৌ অদু ঙসিগী লৈঙাকনা চথুদুনা লৈরে, ক্রাইম অমা থোরকপদা মদুবু করম্না মতম পুম্নগী ওইনা ওইবা য়াবা ৱারোইশিন পুরকপগী মহুৎতা গন কলচরনা ৱাতেমগনি হায়বা অসিদি দিক্টেটরশিংখক্তনা তৌগদবা থৌওংনি হায়না ওল ইন্দিয়া ইমামস কাউন্সিলগী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোকখ্রে।

লৈপাক অসিদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিং অসি লৈঙাক্কী ওইবা ইভাল্যুএসন তৌরগা মেরিট অমসুং দিমেরিট নৈনবীরবদি ক্রাইম থোকনিংঙাই লৈতে। মসিনা তাকপদি লৈঙাক পায়রিবা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর অসি লাইরিক হৈতে, লাইশু খঙদে, মপুক শেংদে হায়বদু মশানা তাকচরবনি। অশুক য়াম্না চাউখৎলবা মতম অসিদা গুন্দা রাজ য়োকখৎপনদি অফবা লৈঙাকনি হায়বা য়ারোই।

হৌজিক হৌজিক নেসনেল হায়ৱে ১০২দা লিলোং থোংখোঙদগীনা ৱাইথৌ কৈথেল মচা ফাওবদা থেংনরিবা বন্দগী চৈথেং অসি ঙসিগী লৈঙাকনা মতম লৈরিঙৌদা থবক ওইনা পায়খৎপিরম্লবদি মীশি-মীনা অসি থোক্লম্লোই। মসিসু ঙসিগী লৈঙাকনা থোকহনবনি। চহী খরগী মমাঙদগী থবক ওইনা ফায়খৎপীয়ু হায়জরবা ফাওবদা থৌশারক্তবদগী বন্দগী চৈথেং অসি মায়োক্লবনি।

শুপ্নম লৈঙাক্তা লাইচুরবা ঙসিগী লৈঙাকনা গন কলচরনা লৈঙাক পায়গনি হায়বসি তোকপিয়ু। মীশি-মীনা থোকহল্লিবা অসি কনাননো? মশাগী মীয়াম্বু হাৎহনবা ঙম্বা মীওইশিংসে করম্না ঐখোয়গী মীহুৎনি হায়গদৌরিবনো? চঙশিল্লিবা খোঙজংশিং অসি লূপ অমা অনীখক্তগী নৎতে মীয়ায় কাঙলূপ খুদিংমক্কীনি। চঙশিল্লিবা খোঙজংসিং অসিগী পান্দম অদু ফংদ্রি ফাওবা ওল ইন্দিয়া ইমামস কাউন্সিল, মণিপুর ষ্টেটনসু মতেং পাঙগনি। মীশি-মীনা থোক্লিবা ইমুংশিংদা অথুবা মতমদা পীফম থোকপা মতেং পীবীয়ু। মৈ পায়দুনা শান্নবীগনু, মৈরিক্তগী মৈজাও ওল্লক্কনি হায়রি।

সোসল দেমোক্রেটিক পার্টি ওফ ইন্দিয়া (এস দি পি আই)গী জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদসু হায়, ঙরাংদগী নেসনেল হায়ৱে ১০২দা লিলোং থোংখোঙদগীনা ৱাইথৌ কৈথেল মচা ফাওবদা চথরক্লিবা বন্দ অসি লিলোং পোলিটিকেল য়ুনিফাইদ লিঙ্ক (লিপুল)না লমজিংদুনা পাঙথোকপা ওইরগসু মতম কক্তবা বন্দ অসি মরু ওইনা লিলোংগী মীয়ামখক্তগী নৎতে, লৈপাক অসিগী ওইবা খোঙজং অমনি। ট্রান্স এসিয়া রোদ কনষ্ট্রক্সনগী ওইনা ইন্দিয়া গর্ভর্নমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজগী মখাদা শেমগৎ শাগৎলক্লিবা অসি লিলোং থোংখোঙগী মথক অমসুং ৱাইথৌ মখাদদি লম লৌশিন্দুনা থবক পায়খৎপখক্তা নৎতনা লোইশিনবা ফাওবদা য়াওরে। ষ্ট্রাইক তৌরিবা কিলোমিটর ৩ /৪গী শরুক অসিবুদি ঙসি ফাওবদা থৌওইবীদনা লৈরক্লি।

লমদম অসিদা লৈরিবা লূপ কয়ানা চহী খরগী মমাঙদগী লম্বী অসিবু পাকথোক চাউথোকহনবীয়ু হায়দুনা লাকখিবনি। লিলোংদা লৈবা লূপ কয়ানা ৱাকৎতুনা লাকখ্রবনি। ঙসিগী লৈঙাকনা থবক অমত্তা পায়খৎলক্তবদগী খোঙজং অসি চঙশিল্লকপনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করিগুম্বা পাউখুম অমত্তা ফংখিদে। কনাগুম্বা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তগা মরী লৈনদে। মীয়ামগী ঈহৌনি। ঈহৌ অসিবু মীওই অমা অনী হাৎতোল্লগা লোইশিনবা য়াগদবসু নৎতে। কোংগ্রেস লৈঙাকনা পায়রকপা চহী ১০ হেল্লবা মতম অসিদা লিলোং এ সিদা মশক নাইবা থবক অমত্তা পায়খৎলকখিবা লৈত্রি। ষ্টেট অসিগী মফমশিংগা ফাওদোক ফাওজিন তৌরিবা লম্বী ফাওবা নুংশা শারগনা উফুল হৌবা, নোং তারগনা লৈখোম থোক্তুনা চৎপা য়াদবগী থাক্তা থম্বীরি। তাল্লক অসিদা লৈঙাক পায়রিবনা নাক য়েৎতা ফু ৫ /৫ অপুনবদা ফুট ১০ খক্তা পাকথোক্কদবনি হায়না হায়রক্লিবা অসিনা কদায়দগীনো? মমাঙদা সর্ভে তৌখিবা মতমদদি ফুট ৭৫দগীনা ১৫০ ফাওবনি হায়না লৈনখি। গারিনা কৃক কৃক ইন্নদুনা খুদোংথীবা কয়া মায়োক্নরবা মতম অসিদা ফুট ১০ খক্তনা কৈদৌগদগে? ঙসিগী লৈঙাক মপুনা অথুবা মতমদা পোজিটিব ওইবা ৱাখল থম্বীরগা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি য়ানবা পুরক্তুনা লৈঙাক্কী ওইবা চপ চাবা ৱারেপ থম্বীয়ু। অথুবা মতমদা থবক পায়খৎপিদুনা মীয়াম্না মায়োক্নরিবা খুদোংথীবা অসি কোকহনবীয়ু হায়রি।

## মণিপুরদা লৈবা কিরক্লোইদবগী মরম লৈঙাকনা শেংদোকউ ঃ এম পি পি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ ঃমণিপুরদা লৈরিবা মীয়াম অসি মণিপুরদা লৈবা কিরক্লোইদবগী মরম পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা শেংদোকপিয়ু হায়না মণিপুর পিপল'স পার্টি (এম পি পি)গী জেনরেল সেক্রেটরি (পব্লিসিটি) ৱাই ভিমনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মণিপুরগী খ্বাইদগী ৱাংবা মহৈ তম্ফমশঙ ওইরিবা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ওইরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা শীন্দুনা হৌখিবা জন্যুৱারী ২২দা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি ফোর হ্যুমেন দিভপমেন্টকী মতাংদা পাঙথোকখিবা নেসনেল সেমিনার হৌদোকপগী থৌরমদা ঈকায়খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টরনা অথোইবা লেঙবীরকপগী ৱারোলদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস মনুংদা শাগৎলিবা অৱাংবা বিল্ডিংশিং অসি করম্বা আর্কিটেক নৎত্রগা ইঞ্জিনীয়ারনা অয়াবা পীবনো অদুগা মতমগা চুনবা মৈ শীজিন্নবগী টেক্নোলোজি য়াওরব্রা হায়বা ৱাহংশি কুপ্না খন্নবগী তাঞ্জা য়ৌরক্লে।

মরমদি মণিপুরগী কেপিটেল ওইরিবা ইম্ফাল অমসুং চীফ মিনিষ্টরগী ওফিস্তগী শুপ্নতগী কিলোমিটর ৩/৪ খক্তং লাপ্পা লৈরিবা য়ুনিভর্সিটি অসিদা শাগৎলিবা পুম্নমক অসি মণিপুরগী লৈঙাক্লোনগী লুচিং পুরেল ওইরিবা চীফ মিনিষ্টরনা খঙবীরমদবা অসি তাবদা অঙকপা ফাওরে হায়রি।

এম পি পিনা হঙনিংলিবা ৱাফমদি কন্ট্রি অমগী অতোপ্পা কন্ট্রি অমদা লৈরিবা এম্বেসেদরশিং/হায় কম্মিস্নারশিংনা লৈরিবা এম্বেসি পুম্নমক, লৈরিবা লৈপাক অদুগী রুল ওফ লোগী ৱাংমদা লৈ হায়বদি এক্সট্রা টেরিটোরিএল ওই। অদুগুম্না মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অসিসু মণিপুরদা এক্সট্রা টেরিটোরিএল ওইনা লৈরব্রা হায়না চিংনদবা ঙমদ্রে। তশেংনা লৈবা তারবদি লৈঙাক অসিনা শেংদোকপিয়ু। চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফমদুনা তাক্লিবদি বিল্ডিংশিং অসি ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌদ্রে হায়বনি। অদুগা তৌদবা তারগদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ওথোরিটিশিংনা লৈপাক মীয়ামদা শেংদোক্কদবনি হায়রি।

অরোইবদা ঈকায়খুম্নরিবা চীফ মিনিষ্টরনা মণিপুরদা পায়খৎলিবা সেন্টরনা স্পোন্সর তৌবা দিভলপমেন্ট স্কীমশিং মরু ওইনা মণিপুরগী লাইফ লাইনা ওইরিবা নেসনেল হায়ৱে-৩৭ (ইম্ফাল-জীরি লম্বী)গী মতাংদা পাউ ফংবীদবা লৈরগদি শেম শাবা লোইশিন্দ্রিঙৌদা লৈপাক মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট য়েংলগা নীংথিনা অমুক্তা য়েংশিনবীয়ু। অসিগুম্বা লৈপাক অমগী চীফ মিনিষ্টর অমনা অসিগুম্বা মথোং হুক্তবা ৱাহৈ ফোঙদোকপিরকপা অসিনা মরম ওইরগা লৈপাক অসিদা লৈবা কীরকপা য়াই হায়না চেরোলসিদা এম পি পিনা হায়রি।

## এন্টি রেবিজ ভেক্সিন কাপখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ঃইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুরনা ইখঙ খঙহৌদনা হূই অঙাওবা, হূইগী লায়না মখল অমা খঙহৌদনা শন্দোরকপনা মরম ওইদুনা মীয়ামদা মিপাইবা পোক্নরকপা কয়া থোরকপনা মরম ওইদুনা চহী খুদিংগী ফাউন্দেসন অসিনা চথরকপা মাস এন্টি রেবিজ ভেক্সিনেসন কেম্পেইন হৌখিবা জন্যুৱারী ২১দগী হৌরগা তোঙান-তোঙানবা ক্লবশিং অমসুং ইরাবত ফাউন্দেসন, মণিপুরগী মশা লোইশঙশিংগা খুৎশম্নরগা এন্টি রেবিজ ভেক্সিন লেপ্তুনা কাপথোক্লি হায়রি।

ইরাবত ফাউন্দেসন, মণিপুরগী সেক্রেটরি জেনরেল কে ঐচ শেঙ্গোই লুৱাংনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, ৱাই এস বি এ, বোকুল মখোঙ মাইবম লৈকায়দা হূই ১২০, এস আর ও ৱাই ক্লব, শিংজমৈ থোঙাং লৈকায়দা হূই ২০০, সেরা ক্লব, থোংজুং পার্ট টু অমদি য়ুঠ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন, কোইরৌ কম্ম্যুনিটি হোলদা পুনা হূই ৩০০, ককৱা হুইদ্রোম লৈকায়দা হূই ১০০, বামোন কম্পুদা হূই ১০০, মুতুম ফিবৌ, ইরম সিফাই, চোংথাং কোনা, লাইফ্রাকপমদা পুন্না হূই ১০০, য়ুরেম্বমদা হূই ৩০০দা এন্টি রেবিজ কাপখ্রে।

ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুরনা ভেটিরিনরী এন্দ এনিমেল হজবেন্দরী দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নদুনা চঙশিল্লক্লিবা হূই হীদাক কাপথোকপগী খোঙজংসিদা মীয়াম্না হেন্না কো-ওপরেসন পীবীদুনা মীয়াম্না মিপাইনরিবা অসি কোকহন্নবা হোৎনমিন্নসি। মীয়াম্না মিপাইনরিঙৈগী চৈরক্তা য়াম্না কা হেন্না পোলিটিক্সলোমদা পুশিন্নবা হোৎনবীগনু লোয়না এম এল এ/ মিনিষ্টরশিংনা নমদুনা হীদাক পংলৌদা লৌশিনবসু তৌবীগনু হায়রি।

## ওজাশিংবু খুরুম্বগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ঃটাইগর কেম্প ভিলেজ দিভলপমেন্ট কমিটি অমসুং সোসল দিভলপমেন্ট ক্লবনা পুন্না শীন্দুনা পুরুর পাঙল সামোম এল পি স্কুল হৌজিকনা প্রাইমারী স্কুল ওনখ্রবা স্কুল অসিগী অহানবা ওজা তখেল্লম্বম নিমাইচান্দ, শাইখোম চাউবা অমসুং জাবর মকলুবীবু নিংশিংদুনা অহানবা খুৎ পায়দুনা তাকপিরকপা ওজাশিংবু খুরুম্বগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে হায়রি।

টাইগর কেম্প ভিলেজ দিভলপমেন্ট কমিটিগী সেক্রেটরি জেনরেল টি নবকুমারনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, থৌরম অদুদা অথোইবা লেঙবীরকপীগী ৱারোল পীরদুনা দোলাই থাবী জিল্লা পরিষদকী মেম্বর ৱাংজম ওংবী তোম্বীনা হায়খিবদা ঐখোয়বু খুৎ পায়দুনা তাকপি তম্বীরকপা ওজাশিংবু খুরুমজদুনা মখোয়বু নীংশিংবা, মখোয়বু খুরুমজবা হায়বসি খ্বাইদগী চাউবা তাইবঙ শেম্বা মপুনা পীনবীবা খুদোল অমনি। ঐখোয়বু শেম্বীরকপা, লাইরিক তাকপি তম্বীরকপা ওজাশিংবু নীংশিংজবা থৌরম অমা পাঙথোকপা হায়বসি য়াম্নমক তৌফম থোকপা থৌরম অমনি। অসিগুম্বা থৌরম অসি লেপ্তুনা চহী খুদিংগী শীনবা মথৌ তাই। মহাক্কী মায়কৈদগীসু অসিগুম্বা থৌরমগীদমক অখন্নবা তেংবাং পীনবা থৌরাং তৌজগনি।

থৌরমদুদা অখন্নবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা ইপাক চেফোঙগী এদিটর রাকেশ নাওরেমনা হায়খিবদা সেপ্টেম্বর ৫ খুদিংগী মণিপুরদা ওজাশিংগী নুমিৎ য়াম্না পাক শন্না পাঙথোক্লদুনা লাক্লি। অদুবু ওজাশিং নীংশিংলিব্রা, হরাউ কুম্মৈ তৌরিব্রা হায়বা অসিমদি য়াম্না হঙনিংঙাই ওইরি। ঙসি অহানবা খুৎ পায়দুনা তাকপিরকপা ওজাশিংবু খুরুমজবা থৌরম পাঙথোক্লিবা অসিমদি মণিপুরগী পুৱারীদা অনৌবা নুমিৎ অমা ওইরগদবা নুমিৎ অমনি। লমদমসিগী মহৈরোয়শিংনা ওজাশিং উবদা থৈ থৈদুনা চৎনরবা মতম অসিদা অখন্নবা খুৎ পায়দুনা তাকপিরকপা ওজাশিং খুরুমজবা থৌরম হায়বা মিংথোল অমা পীদুনা পাঙথোররকপা হায়বসি অনৌবা মীরোল অসিদা অনৌবা লৌশিংগী মঙাল অমা পীরবনি। থৌরম অসিমক য়াম্না ৱাহন্থোক লৈ খঞ্জে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা পুরু পাঙল এল পি হৌজিকনা প্রাইমারীগী থাক্তা ওন্থোকখ্রবা স্কুল অসিগী অহানবা ওজা তখেল্লম্বম নিমাইচান্দ অমসুং শাইখোম চাউবদা লেঙয়ানফি, দাইরি অমসুং অচম্বা খুদোল তমদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি। পাঙথোখিবা থৌরম অদুদা উয়ুম্পোক গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান কে ইচলনা থৌরম মপু অমসুং ৩/৮/৯ উয়ুম্পোক গ্রাম পঞ্চায়টকী মেম্বর এস খোমদোননা ঈখায়খুম্নরিবা লেঙবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

## ফ্রী মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ঃ ৱিমেন এক্সন ফোর দিবলপমেন্ট (ৱাদ)না শীন্দুনা হ্যুমেনিটিরিয়ান সপোর্ট টু পিপল টু পিপল এফেক্টেদ বাই কনফ্লিক্ট মণিপুর হায়বা হীরমসিগী মখাদা নোংমগী ওইবা ফ্রী মেদিকেল কেম্প অমা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক পার্ট থ্রী ঙারৌথেলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে হায়না ৱাদকী সেক্রেটরি সোবিতা মংশাতাবমনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা হৈরোক পার্ট ১, হৈরোক পার্ট টু অমসুং হৈরোক পার্ট থ্রীদগী নুপী অমসুং অঙাংনা য়াম্বা অনাবা ২০০রোম ৱাদনা মোবিলাইজ তৌখি। লোয়ননা হেল্ঠ কেম্প অদুদা অনাবা মীওই ৯০ হেন্না কাউন্সেল্লিং তৌখি। কেম্প অদুদা কম্ম্যুনিটি হেল্ঠ সেন্টর, হৈরোক্কী ডো. ৱাই নোকুল, ডো. সি ঐচ সিত্রা, ডো. জয়া অমসুং ডো. মেঘরত য়াওনা ষ্টাফ নর্সশিংনা শরুক য়াখি।

পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা হাইপরটেন্সিন, দিজ্জিনেস, বোদি এক, হেদএক, জেনরে ইলনেস, জোইন্ট পেন, ফিবর, কোট, ষ্টোমাক বর্নিন, লূজ মসল, চেষ্ট পেইননচিংবগা মরী লৈনবা কেসশিং রিপোর্ট তৌরকখি। কেম্প অদুদা লেম্না হীদাক লাংথকশিং পীখি। কুম্ম্যুনিটি হেল্ঠ সেন্টর, হৈরোক্কী মেদিকেল ওফিসারশিংনসু হীদাক খরা অমসুং ও আর এস য়েন্থোকখি। লোয়ননা পাঙথোকখিবা হেল্ঠ কেম্প অদুনা সাইকোলোজিকেল প্রোব্লেমস, মেন্টেল ইলনেস অমসুং মখোয়গী লায়েংবা অমদি থিংবগী মতাংদসু জেনরেল এৱ্যারনেস পীখি হায়নসু চেরোলসিদা হায়রি।

## পুলিসকী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী (ঐচ এন এস)ঃঙরাং লিপুলগী মখাদা লিলোংদগী ৱাইথৌ ফাওবগী হায়ৱে লম্বী পাকথোকহল্লু হায়বা দিমান্দ বন্দ তৌরকপগী খুদোংচাবা লৌদুনা পুলিস কম্মান্দোশিংনা ক্লাস সবেনখক্তা তমজরিবা ট্যুসন চৎলিবা মহৈরোয় ইমটিয়াজ খানবু ফারগা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপা অমসুং কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখিবা থৌদোক অদুবু এ আই এস এফ, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল অমসুং লিলোং জোনেল কাউন্সিলনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

এ আই এস এফ, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট এন সনাহলনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, অসিগুম্বা শাগী লীচৎ চৎপা কম্মান্দো পার্সোনেলশিংবু ফাদুনা চৈরাক পীগদবনি। লিলোং থোংখোঙদগী ৱাইথৌ ফাওবা লম্বী পাকথোক্লবা দিমান্দ তৌবা হায়বা অসি মীয়ামগী দিমান্দনি হায়না লৌই। পুলিস কম্মান্দো অমসুং লৈঙাক অসিগী শাজৎ অসিবু চুমথোক্লবা এ আই এস এফ মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা লাক্লিবা জন্যুৱারী ২৭তগী মহৈরোয়শিংনা প্রোটেষ্ট চথনবা ৱারেপ লৌরে। ইনষ্টিট্যুটশিংনা কেম্পসকী ৱাংমদা প্রোটেষ্ট তৌবীয়ু।










## 'মোংবা হানবগী ৱাফমদা মহাবলি সেবা সমিটিনা খন্থবীয়ু'

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪(ঐচ এন এস)ঃ মোংবা হনবগী ৱাফমদা মহাবলি সেবা সমিটিনা হন্না খন্থবীয়ু হায়না লৈপাক কনবা অহল্লূপ (লৈকল্লূপ)কী লুচিংবা নেপ্রম নুংকাঙবানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মমাঙ চহী ২০১৪গী লাংবনগী ১৫নি পানবদা মীয়াম্না মোংবা হনবা উমংদা লৈবীরিবা লাইনিংথৌ মোংবা হনবা খুরুমজনবা থৌরাংজবদা মহাবলি সেবা সমিটি অমসুং মহাবলি সেবায়েটনা থিংখিবদু মীয়াম্না লাইনিংথৌবু খুরুমজবা ফংজখিদবদগী মতুংদা লাই খুরুমজনবা শীনবীখিবা লূপ মোংবা হনবা উমং অমদি লাইফম কনবা লূপ, ইম্ফাল অমসুং ইরমদমসিগী ইনাৎকী ওইবা অচৌ অচৌবা লূপ কয়ানা ঙসি ফাওবদা লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংনা লাইনিংথৌ মোংবা হনববু খুরুমজবা য়ানবা মণিপুর লৈঙাক্তা হায়জবগা লোয়ননা করম্বা পাম্বৈনা লাইনিংথৌবু খুরুমজবা ফংজগদগে হায়বগী লম্বীরোমদা পুন্না চঙশিনমিন্নবগী ঈহৌ শাগৎলক্লি।

লাইনিংথৌবু নীং তম্না খুরুমজবা ফংজদ্রিবা ফাওবা চঙশিল্লিবা মীয়ামগী খোঙজং লেপ্পা লৈররোই লোয়ননা অথিংবনা কল্লিবমখৈ ঈহৌসু কল্লক্কনি। লোয়ননা নোংমদি শোইদনা য়েলহৌ লাইনীংলোয়শিংগী অপাম্বা থুংগনি। মরমদি ৱাফম অসি য়েলহৌ লাইনীংলোয়শিংগী ফংফম থোকপনি। য়েলহৌমীশিংগী ইপা ইপুগী ইরমদমগী লাইফমদা মচা মশুশিংনা লাই খুরুমজগে হায়জবসিদা অতোপ্পা লাইনীংগী মীওই কনানা অথিংবা পীবগী ৱাফম মালেমসিদা লৈফম থোক্তে হায়রি।

কৈথেল অচৌবদা য়ুংবা নুঙনা হনুমানগী শক্তম শারগা মোংবা হনবা উমংদা লাৎশিনখিবসি ঙসিদগী চহী ৩০০ শুদ্রি হায়বসি পুম্নমক্না খঙনরবা ৱাফম ওইরিবনি। লোয়ননা ঙসিমক হনুমানগী লাইশঙ, শঙলেননচিংবা লৈরিবা মফম অসি গভর্নমেন্টকী লেন্দ রেকোর্দতা ৩৯-রাজবারি দাগ নম্বর ৪৯০৯-ষ্টেট পাক চাউবা ০৯.৭৬৬ একর মহাবলি লাইগী এরিয়া (হনুমান ঠাকুর মণ্ডির) হায়না লৈ। অমরোমদা য়েলহৌ ইনাৎলোয়শিংনা মোংবহনবগী মফমদা হৈকৎ তমজদুনা খুরুমজগে থৌরাংজরিবা মফমসিনা গভর্নমেন্টকী লেন্দ রেকোর্দতা ৩৯-রাজবারি দাগ নম্বর ৪৯০৮ ষ্টেট পাক চাউবা ৯.২৮১ একর উমং হায়না লৈ হায়রি।

মথক্কী ৱাফমশিং অসি অচুম্বা ঙাক্তনি হায়বসি খঙমিন্নরিবনি লোয়ননা মহাবলি থৌপুরোয়শিংগী মফমদা হায়নিংবা ৱাফমদি য়েলহৌমী, য়েলহৌমী ইনাৎলোয়শিংনা ইপালাই ইপুলাই ওইরিবা লাইনিংথৌ মোংবা হনববু খুরুমজগে হায়না থৌরাংজরিবা মফমসি লাইশঙ, শঙলেননচিংবা লৈরিবা মফমশিদগী পুমতোপ তোপ্পা মফম অমদনি। লাইফমগী চঙফমসু তোঙানবা লম্বীদনি, লাইনিংথৌ মোংবা হনবাগী হনুমানগী লাইনীংলোয়শিংদা মতাংসিগী ওইনা অয়েৎপা, অকায়বা পীগদবগী ৱাফমসু শুক্লে লৈতে হায়বসিনি হায়রি।

পুম্নমক অসি য়েংবীরগা য়েলহৌমী, য়েলহৌ ইনাৎলোয়শিংনা ইপালাই অরুবা, ইপুলাই অহকপা ওইবীরিবা লাইনিংথৌ মোংবা হনববু খুরুমজগে থৌরাংজরিবা অসি মহাবলি সেবা সমিটিনা অয়েৎপা অথিংবা পীবীরিবা অসি হান্না খন্থবীবগা লোয়ননা খোঙফম হন্দোকপীয়ু। থৌওং অসিনা ইরমসিগী পুৱারীগী তাঙ্কক্তা ঐখোয় মশেল নুংশি চান্নো হিংমিন্নখি হায়বসি লেঙদনা লৈহৌগনি। নৎত্রগদি পীকখ্রবা ইরমদমসিদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া থোক্লক্লোই হায়বসি তম্বা ঙম্বা ওইরোই। লোয়ননা থোক্লকপা য়ারিবা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং হৌরকফম অসি মশাগী মরমদমদা মপা মপুগী লাইফমদা লাই খুরুমজগে হায়জবদা মহাবলি সেবা সমিটিনা অথিংবা পীরুবদগী থোক্লকপনি হায়বসি হৌজিক্কী অমসুং তুংগী মীরোলনা হায়রোইদবগী মরম লৈতে খঞ্জে হায়রি।

## HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-1452


| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | | | | 4 | | | 2 | 3 |
| | | | | 6 | | 5 | | 4 |
| | | 1 | 2 | | | 6 | | 8 |
| | 4 | | 9 | | | | | |
| | | | | | | | | 7 |
| | | | | | 8 | 9 | 5 | 1 |
| | | 5 | | | | 4 | 6 | |
| | 6 | | | | | 3 | | |
| | | | 7 | 3 | | | 8 | |

Solution-1451

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 5 | 6 | 4 | 9 | 8 | 2 | 3 | 1 |
| 8 | 2 | 3 | 1 | 6 | 7 | 9 | 5 | 4 |
| 4 | 1 | 9 | 5 | 3 | 2 | 7 | 6 | 8 |
| 3 | 7 | 1 | 2 | 4 | 6 | 8 | 9 | 5 |
| 6 | 4 | 2 | 8 | 5 | 9 | 3 | 1 | 7 |
| 9 | 8 | 5 | 7 | 1 | 3 | 6 | 4 | 2 |
| 2 | 3 | 4 | 6 | 8 | 1 | 5 | 7 | 9 |
| 1 | 6 | 8 | 9 | 7 | 5 | 4 | 2 | 3 |
| 5 | 9 | 7 | 3 | 2 | 4 | 1 | 8 | 6 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9


## CROSSWORD-1644



**ACROSS**
1 Speed up (10)
7 Cherished (8)
8 Jokes (4)
9 King of beasts (4)
10 Greedy eater (7)
12 Concur (3,3,2,3)
14 Respire (7)
16 Put away for storage (4)
19 Stinging insect (4)
20 Lack of strength (8)
21 One who looks after children (10)

**DOWN**
1 Spring month (5)
2 Violent windstorm (7)
3 Facial expression (4)
4 Unhesitating (8)
5 Blotto (5)
6 Cold-shoulder (6)
11 Incidentally (2,3,3)
12 Story in instalments (6)
13 Defunct (7)
15 First Greek letter (5)
17 More judicious (5)
18 Indian dress (4)

Solution 1643



SOLUTION ON NEXT ISSUE